# শজিক অকংবা শেন্বা

ডা: সরাংথেম জেম্মারাণী





**লমদমসিদদি** শা-ষণশিংদা পীজনবা মফম খরদনা শজিক মরাং কায়না ফংলি অদুগা মফম খরদনা শজিক ফংদবগী অৱাবা অমা ওইরি। অমরোমদনা নোংজুথা মতমদনা অমুক শজিক মরাং কায়না ফংবা অদুগা নিংথমথা মতমদনা শজিক্কী অৱাবা অমুক লৈরকপা য়াওরকই। অসিগুম্বা মতমসিদা শজিকশিংসি শিল্লগা শেন্বীবা নৎত্রগা শজিক অকংবা ওইনা থম্বীবা য়াই।

শজিক কংহনবা মতমদসু শজিক্কী মখোক অকনবা খুদম ওইনা হায়রবদা চুজাক্কী মখোক, চানাগী মখোক অসিনচিংবশিং অসি কনবনা মরম ওইদুনা কংবা ৱাৎলি। কংনবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙই। অথোৎপা মখোকশিং খুদম ওইনা হায়রবদা হুপ, ওট, কবো নাপী, তুজোম্বী অসিনচিংবা কয়া অসি কংহল্লগা থম্বীবা য়াই।

শজিক অকংবা হায়রগা কল্লিবা শজিক খুদিংমক শজিক্তা য়াওরিবা মনিলগী চাংসি হন্থহল্লগা কংহনবদুবুনি। মসি কংলিমতিক কোকফাই শুজা কাবগী চাং হন্থহনগনি অমদি কুইনা লীবা য়াই। কংহন্নবা কক্কদৌরিবা শজিকশিংগী ন্যুত্রেন্ট কয়া অমা মাঙদনবা মপূং মরৈ ফাবগী মতমদসু মখা পোল্লি। ঙন্না শজিক কল্লগদি ন্যুত্রেন্ট কয়া অমা য়াওবগী মশীং য়াম্মী অদুবু পোখোক্তি ৱাৎলি অদুগা থেংনা কল্লগদি ন্যুত্রেন্টকী চাং হন্থরগসু পোখোক হেন্না ফংই অদুবু অয়াম্বনা মপান লাক্লমদাইদা শজিক অকংবা শেম্নবা ককথৎপগীনি।

**অফবা অকংবা শজিক্কী মগুণ :**

☞ মতম চানা শজিকশিং কল্লগা কংহল্লগদি ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা ফংবা ঙম্মী। অদুবু থেংনা শজিকশিং কল্লগা শেম্লগদি শজিক্কী মখোকশিং কংশিল্লকপদা নত্তনা মরূম শেম্বদা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মরূমরোমদা চৎখিগনি।

☞ অফবা মখলগী শজিক অকংবা ওইরগদি অকংবা পাম্বীদুগী মনাশিং মশাদা তেক্তা কায়দনা লৈগনি। পাম্বীগী অয়াম্বা ন্যুত্রেন্টশিং মনাদা লৈ। মনাশিং মখোক্তগী কেনখ্রগদি ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙগনি।

☞ অকংবা শজিক্কী মনাশিং শংদুনা অদুম লৈরগদি মদু অফবা শজিক অকংবনি। মনাশিং কংহন্নবা হোৎনবদা অকংবা ময়াম অমা মাঙই।

☞ কংহনবা মতমদসু অথোৎপা মখোক/পাম্বীনা ওইরগদি শাশিংনা চাবদা মহাও লৈনা চাবা ওইহল্লি।

☞ অকংবা শজিক শেন্বা মতমদা অতোপ্পা মখলগী চাবা য়াদবা পাম্বী য়াওহনলোইদবনি।

☞ অকংবা শজিক্তা য়াওরিবা মনিলগী চাংসি চাদা ২০-২৩ ফাওবা লৈগনি। মনিলগী চাং ৱাংলগদি পথ্-পুমথরকপগী চাং ৱাংনা লৈগনি।

☞ অফবা শজিক অকংবদা উফুল-ৱাইফুল পকহনবীরোইদবনি অমদি নুংশিবা মনম চেলহন্দুনা মহাও লৈহনগনি।

**অকংবা শজিক শেন্বা :**

☞ অকংবা শজিক শেম্নবগীদমক থাগদৌরিবা মফমদু লৈবাক লৈহাও নিংথিনা ফবা ওইগনি। থাগদৌরিবা মরূদুসু মফমদুগী মতুং ইন্না হুনগদবদুদগী হেন্না হুনবীগনি। মসিনা কুংনা হৌরবনিনা মখোয়সু থোৎনা লৈগনি।

☞ শজিক ককপা লোইরগা কংহনবা মতমদা শজিক্তা য়াওরিবা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙদনা লৈহন্নবা হোৎনবীগনি অমদি মনিলগী চাংসু কা হেন্না য়াওদনবা অমদি অহেনবা মনিল য়াওরগদি পথ্ পুমথহনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি। কংহনবা মতমদা মনাশিংদু কেন্দনবা হোৎনবীগনি। মনাদা প্রোটিনগী চাংসি চাদা ৭০ দগী হেন্না য়াওই অমদি কেরোটিনগী চাংসু চাদা ৯০গী মথক্তা য়াওই।

☞ কংহনবা মতমদসু ন্যুত্রেন্ট খরদি অদুম মাঙখি। অদুবু কংহনবা মতমদা মৈশা হেন্না পীবা নৎত্রগা মনিলগী চাংসি হন্থনা লৈত্রগদি মসিদসু ন্যুত্রেন্টগী চাং হন্থহল্লি। নোংজু থা মতমদসু নোংনা মরম ওইদুনা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙহল্লি। কংহনবা মতমদা মনা শংলিমখৈ কেরোটিনগী চাং ৱাংনা য়াওবগী শক্তমনি।

☞ শজিকশিং কংহনবা মতমদা কংই কংদে খঙননবা অরায়বা মওং অমদা কংহনলিবা পাম্বী অমা লৌবীরগা য়োৎপী অমনা মখোক্তু হুইগৎ হুইথা তৌবা মতমদা মখু কোনলকপা তারগদি মদু কংবা য়ৌদ্রিবনি হায়না লৌবীগনি অদুগা অতোপ্পা অমনা পাম্বী খরা লৌরগা খুবাক্তা হাপ্লগা শুরু শুরু নৈবা মতমদা মহি খরা থোকপা উরগদি মদুসু মনিলগী চাং ৱাংনা লৈরি হায়না লৌবগা লোয়ননা খরা শাংনা কংহনবীগনি।

☞ কংবা লোইবা তুংদা মফম চানা পুল্লগা শা-ষণশিংদা পীজবীগনি।

**কংহনবগী মওং :**

১) মফমদুদা কংহনবা - শজিকশিং ককপা লোইরবা তুংদা অমুক মফমদুদা অদুমক কোনশিল্লগা থম্বীগনি। শজিক ককপগী মতম অমদি লিক্লা তাশিনবনা ক্বালিটিদা অশোয়বা য়াওরকই। কল্লবা শজিকশিংদু মপূন মপূন পুল্লবা তুংদা নিংথিনা কংহনবসু য়াই। অদুবু কংহনবগী মতমদা মনাশিং কেনবগী চাং য়াম্না ৱাংই অমদি কংহনবা মতমদা কেরোটিনগী চাংসু হন্থহল্লি অমদি মনিলগী চাংসু চাদা ৪০ দুমক লৈগল্লি। অসিগুম্বা শজিক কংলি কংলি লাওরবসি মকোন মকোন কোনশিন্দুনা অমুক মখা তানা কংহনবীগনি।

২) মকোন্দা কংহনবা - কাবক কাবক কংলবা শজিকশিং মকোন মনুংদা শগাই শারগা থমদুনা কংহনবীবসু য়াই। মসিদা নুমিৎ ৭-১৪ ফাওবা নুংশিৎনা কংহনবদা চংই। অসিগুম্বা অকংবা শজিকশিং অসি শংদুনা অদুমক লৈ।

৩) খূৎশেমগী কংহনবা - খূৎশেমগী অশাবা নুংশিৎ শীজিন্নদুনা শজিক ময়াম অমসু কংহনবা য়াই। অদুবু মসি য়াম্না চাউনা তৌরগদি কান্নবা কয়া ফংদে।

৪) মতুম তারগা শেন্বা - শজিক ময়ামসি মতুম তানবা মেছিন্দা মতুম মতুম তারগা কংহনবা য়াই। মসিনা পুথোক পুশিন তৌবদা মতম চংহন্দে, থবক তৌশিনবগী মী মশীং হন্থহল্লি, ন্যুত্রেন্ট হন্থহন্দে, উফুল-ৱাইফুল কয়া পক্তে।

মতম চানা শজিকশিং কল্লগা কংহনহৌরগদি তুং কোয়না মতম শাংনা শজিক ৱাৎলকপা মতমদসু পীজবীবা য়াই অমদি শজিক ফংদবা মফমদসু পুরগা পীজবা য়াই।

# অতাঙবা ঙা মখল কয়া মাঙশিল্লকপা

ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ



Electric fishing



Jhum cultivation



Sand and pebble mining

ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম হায়বদি চীং, পাৎ, তুরেল অমদি তম্পাক্কী মফম কয়াদা অহোংবা কয়া লৈরকপনা মরম ওইদুনা ঙা, পাম্বী মখলশিং অমদি লমলক্কী শা-উচেক কয়াগী পুন্সিদা অচৌবা অকায়বা পীরি। অকোয়বগী ফীভম কায়থরকপা হায়বসি ঐখোয় মীওইবনা থোকহনবনি। মীওইবা হায়রগসু সহরগী মফমশিংদা লৈরিবা চাওখৎপগী লমজেল তান্নরিবা মীওইশিংনা অমুক্কসু হেন্না অকোয়বগী ফীভম শোকহল্লি। খুঙ্গংদা লৈরিবা মীওইশিংদি মহৌশা লাইরেম্বীগা ইরোয়ননা চৎমিন্নে।

কারখানা কয়া লীংখৎলকপা, লম্বী থোং শেল্লকপা অমদি য়ূম-কৈ কয়া শাগৎলকপা অসিনা অকোয়বগী ফীভমদা অসুক্কী মতিক শোকহল্লি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়দা কান্নবা কয়া অমসু পীরি। দাম কয়া তুরেলশিংদা শারকপা, মৈ পুথোক্লবগীদমক্তা হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক প্রোজেক্ট শেমগৎলকপা কয়া অসিনা ঙাগী চৎফম লম্বী থিংজিনখিবা অমদি মরূম কোকফম অমদি মচাশিংনা খরা চাউখৎলকপা ফাওবদা লৈগদবা মফমশিং মাঙহনখিবা মরম্না হান্নরা লৈজরম্বা ঙা কয়া মাঙখিনবগী মচাক অমা ওইরি।

চীংদা লানমৈ থাবা অসিনা থোকহনবা অকোয়বগী ফীভমদা পীবা চৈথেং কয়া লৈখ্রে। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা পনবা য়াবা খরদি লানমৈ চাকপা মতমদা মফমদুদা লৈরম্বা পাম্বী অমদি অপীকপা থৱায় পানবা পূম্নমক মাঙখিবনা মরম ওইদুনা লৈহাও লৈবা লৈবাকশিং নোং চুবা মতমদা ঈশিংনা চেন্থখিদুনা লৈহাও লৈতবা মফম ওইহল্লকই। চীংদা পামলৌ তৌবা মতমদসু অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা কয়া থোকহল্লি। মসিদসু নত্তনা নোং চুবা মতমদা পাম্বীশিংনা ঈশিং চুপশিল্লগা লৈবাক মনুংদগী তপ্না তপ্না থাদোরকপা মরম্না ঈশিং ঈচাও থোকপা হন্থহল্লি অদুবু পাম্বীশিং অসি লৈরক্তবনা মরম ওইদুনা ঈশিং ঈচাও থোকহল্লি অমদি চীংদগী চেন্থরকপা ঈশিং হায়বদি লোক মচাশিংদা মরূম কোকচবা অমদি মসিদা হৈনজবা ঙা মখলশিংগী মরূম কোকফম অমদি লৈফমশিংদা অকায়বা পীবনা মরম ওইদুনা অতাঙবা ঙা কয়া মাঙখিনবগী মচাক ওইরি।

চীংদগী চেন্থরকপা লোকমচাশিং অমদি তুরেলশিংদগী নূং, লৈঙোই পেকথোকপা অসি ঐখোয় মীওইবগী শীজিন্ননবনি। তৌইগুম্বসুং থৌওং অসিনা ঙা কয়াগী লৈফম, মরূম কোকফম অমদি ঙা মচাশিংনা খরা চাওখৎলকপা ফাওবা হিংজনবগী মফমশিংদা অকায়বা পীবা মরম্না মহৌশাদগী লৈরল্লবা ঙা মখল কয়া মাঙখিনবগী মচাক অমসু ওইরি।

মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা পুকলাওবী, সিলভর কার্প, নাপী চাবী অমদি তুংহনবী অসিনচিংবা ঙা কয়া অসিনা মহৌশাগী লৈজরম্বা খল কায়হল্লকপগী অচৌবা মচাক অমসু ওইরি। হায়রিবা ঙাশিং অসি মপাঙ্গল কনবা/মচিঞ্জাক য়াম্না চাবা/মচা য়াম্না কোকপা নৎত্রগা হান্ননা লৈজরম্বা ঙাশিংগা মচিঞ্জাক/লৈফম মুন্নরকপা মরমশিং অসি লৈবনা হান্ননা লৈজরম্বা ঙা মখল কয়া মাঙখিনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি।

লৈতেংগী ওইনা শীজিন্নবা য়াবা ঙা মখল কয়া ঐখোয়গী লমদমসিগী ঈশিংশিং হায়বদি পাৎ, তুরেল অমসুং লোকশিংদা ফংলি । হায়রিবা ঙাশিং অসিবু য়োকপা, মরূম কোকহনবা অমদি মচা পুথোকপগী থবক পায়খৎত্রিবমখৈ মপান্দা পুথোকখিবা থিংদবনি। মীওই খরগী শেন্দান লম্বী ওইনবগীদমক্তা মপান্দা অসুম অসুম পুথোকখিদুনা ঐখোয়গী মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে।

চৎন-কাঙলোন লান্না ঙা ফাবগী থৌওংশিং মরুওইনা হু চেনবা হীদাক শীজিন্নদুনা ঙা ফাবা, বোম পোকখায়হন্দুনা ঙা ফাবা, ইলেক্ত্রিক শীজিন্নদুনা ঙা ফাবা অসিনচিংবা থৌওংশিং অসি থিংননবগী থৌরাং লৌখৎহৌদ্রবদি ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম কায়থরকপগী ফল অসি তুংদা লাক্কদৌরিবা মীহৌরোলনা শুংশোয় শোয়দনা থেংনরগনি।

চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম কায়থহনবগী মরম কয়া লৈরবসু মৈহৌরোলদগী ঐখোয়গী লমদম অসিদা চৎনরক্লিবা থৌওং কয়া অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দনবা থৌওং কয়া লৈরি। থৌওং খরা পল্লবদা লাইশঙ লৈবা মফমদা লৈবা পুখ্রিদগী ঙা ফাদোক্তবা, পাৎ নৎত্রগা তুরেলদগী ঙা ফাবদা পাৎ নৎত্রগা তুরেলদুগী অকোয়বদা লৈবা মীওই পূম্নমক পূন্না অকক্লবা মতম অমতদা ঙা ফামিন্নদুনা লেমহৌরিবা মতমশিংদা ঙাশিং অদু মরূম কোকপা অমদি খরা চাওখৎত্রিবা মখৈ ফাদোক্তবা অসিনচিংবা থৌওংশিং অসি অহল-লমনশিংনা পাঙথোক্লম্বদগী হৌজিক ফাওবা মফম কয়াদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অকোয়বগী ফীভম কায়থরকপদগী মশীং য়াম্না হন্থরক্লবা ঙাশিংদি ঙারোই, ঙাতোন, ঙাতেন, শারেংখোইবী, ঙানপ, শানা ঙা, ঙানোই, চীং উকাবী, মৈতৈ শরেং, ঙাৱা, মৈতৈ ঙাক্রা অসিনচিংবনি। হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপা অমদি য়োকপগী থৌওংশিং পায়খৎত্রবদি মতম খরগী তুংদদি হায়রিবা ঙাশিং অসি পূম্মাং মাঙখিবা য়াবগী কিনিংঙাই ওইরে।

লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা মিৎয়েং চঙবীদুনা পায়খৎপা য়াবা থৌরাং পায়খৎপীরবদি ঐখোয়গী তুংগী মীরোলগীদমক্তা খরমখৈদি কনবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা ঐখোয় মীপুম খুদিংমক্না অকোয়বগী ফীভম কায়থরকপা অমদি মতম খরগী তুংদা মুৎখিবা য়াই হায়না চিংনরিবা অতাঙবা ঙাশিং অসিবু কনবগী ৱাখল্লোন ফাওবীদুনা পায়খৎপা য়াবা থৌদাং পায়খৎপীরবদি তুংগী মীরোলগীদমক্তা য়াইফবা ওইগনি নৎত্রগদি তুংদা লাক্কদবা মীরোলনা হৌজিক লৈরিবা ঐখোয় পূম্নমক্তা ৱারৌগনি।

# মণিপুরদা নুপীলাল

এম থম্বৌ

**কুমজা ১৮৯১**দা মণিপুরবু বৃটিশনা মপূং ফানা লৌশিনখ্রবদা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থঙ্গাল জেনরেল অনীবু ফাঁসি তৌদুনা হাৎখ্রবদা বৃটিশকী য়োৎহ্লিং মখাদা মণিপুর লৈরকখ্রবনি। অদুগী তুং চহী মঙা লৈরগা কুমজা ১৮৯৬কী সেপ্টেম্বর ৩০দা ইমা লৈপাক মণিপুরগীদমক জননেতা হিজম ইরাবত পোকখি। তশেংনা মহাক্না তাইবঙ ফাওরকপা অসি মণিপুর ইমা ইবেলশিংগী মমিৎ পাংনবা অমদি মহাক্কী মতেং ইমা ইবেল কয়ানা খ্বাংদা খ্বাংচেৎ শেৎতুনা মহাক্কী থৌনা হাপীবা অসি ঙসি ফাওবদা পুৱারীদা মুৎনাইদনা সনাগী ময়েক্না ইদুনা লৈরিবা অসি ঙসিগী মীরোলগীখক্তা নত্তে। মীরোল কয়া কয়ানা কাউথোকপা লৈতনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগদবনি।

খুদম খরা পল্লবদা মতম অদুগী নীংতম্বা মাঙখ্রবদা বৃটিশনা খা-রাই খঙদনা থক-খা তুনা ওৎ-নৈবগী থবক চত্থরকখি। কুমজা ১৯০৪গী মতমদা সাহেবশিংগী ময়ূম মৈ চাকখিরম্মী। হায়রিবা য়ূমদু ৱায়ুমনি। ঈনা কুপ্পনি। সাহেবশিংনা মৈবু চেকশিন্দবদগী ওইবসু য়াই । মতম অদুগী লৈঙাক্লদি মীওই খরনা লৌতুনরগা মৈদু থাবনি হায়বা অসি মখোয়গী অচেৎপা থাজবা ওইখি। মী অমত্তা ফাবা ঙমদ্রবদা ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈবা মীয়ামদা পীবা চৈরাক ওইনা নুপামখৈ য়ূম-য়ূমদগী ৱা, পয়া, খূৎশু-খূৎলায় পুথোক্তুনা মৈ চাকপা য়ূমদু শানবা য়াথং তাওথরম্মী।

মতমদুদা নুপা খুদিংনা য়ূমদগী ৱা, পয়া, ঈনচিংবা পুখৎলক্তুনা য়ূম শানবা হোৎনরকপা মতমদা হৌনরুবা নাইদনা নুপী ময়াম হৌরক্তুনা সাহেবকী য়ূম শারুবা য়ারোই, তশেংনা মৈ থাবা মীদু ফারগা চৈরাক পীয়ু হায়দুনা ৱা, ঈ, পয়া পূম্নমক মুন্দুনা নম্বুল তুরেলদা থাদখি। অদুগা থাঙ, খূৎশু-খূৎলায় পূম্নমক নুপীশিংনা মুন্দুনা নুপা ময়াম তানখায়বদা কাইদুনা চেনখিরম্মী অমসুং য়াথং অদু হন্দোকখিরম্মী। অদুগুম্বা নুপীশিংগী ঈহৌ অদু বৃটিশ সাহেবশিংনা মায়োক্লবা ঙমখিদে। মসিবু মণিপুরগী পুৱারীদা অহানবা নুপী লাল হায়না কাউবা লৈতনা লৈরিবনি।

অসুম্না বৃটিশনা মখল মখা কয়াগী মীওৎ-মীনৈ চত্থরকপা অসিনা মরুওইনা লৌমীশিংদা শোকহল্লকখি। ইরাবতকী লমজিং মখাদা লৌমীগী অন্দলোন লীংখৎতুনা ঈহৌ অমা কুমজা ১৯৩৬তা হৌরক্তুনা অনীশুবা নুপীলাল শাগৎপা হৌরকখি। মদুগী তুং কুমজা ১৯৩৮দা লৈবাক শিনবা থুংনা ইরাবতনা লমজিংদুনা অন্দলোন চঙশিনবা হৌরকখি। মদুদা য়াওরিবদি খেৱা নিলাম ওকপা, খুঙ্গংদা য়ারেক সন্ত্রি, পিওন অমদি অমিন চাকথাক, পোথাং অমদি বেগারি ফাবা, দোলাইরেং অসিগুম্বা অসিগী মায়োক্তা শেন্বা অন্দলোননি।

মসিদগী খরা খরা ৱামৈনা ওমদুনা চাকপগুম অমদি হয়িংখোইনা ঙংবগুম লৈরকপা অসিনা কুমজা ১৯৩৮দগী হৌদুনা কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২দা অমুক্কা অনীশুবা নুপীলাল অমুক শাথিবা মওংদা হৌরকখি। মসিসু ইরাবতকী ৱাখলবু নুপীশিংনা খঙবীবা অমসুং নুপীশিংগী মমিৎ ইরাবতনা পাংহনখিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

তশেংনা থোকখ্রিবা নুপীলাল অদুগী হৌরকফম মোনোপোলি কেপিটেলিষ্টশিংনা মণিপুরগী চিঞ্জাক্কী পোখোক খুদিং পায়শিনখিবদগীনি। পোইনু মমৈ চনবতা ঙাইরিঙৈদা মণিপুরগী কৈথেলশিংদা ফৌ চেঙ চোইনা শংবাই-লিখাই, লৈতং অমদি চেঙ মেরুক অমফাওবা ৱানবা ফংলক্তবা মতম ওইরকখি। মোনোপোলি কেপিটেলিষ্টশিংনা ফৌমখৈ পূন্না পূন্না ৱানশিল্লগা মখোয়গী মিল (কোন) দা চেঙ ওন্থোক্তুনা পৈশিন্দুনা থমজিল্লগা মণিপুরগী মপান্দা থাদোকখিরম্মী।



মসিদা নোংমগী চরা তম্না ৱাল্লগা চাবা কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিং চেঙ চোইনা ৱানবা ফংলক্তবা মতম ওইরকখি। মসিদা ইম্ফাল অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা কয়াদি অথাপ্পা খুঙ্গংগী লমদা মরৌ মশীং য়াম্না লৈবা, থা তরেৎ-নিপাল অমদি চহীগী ওইনা পৈশিন্দুনা থম্বা ঙম্বা অদুনা চাবদা ৱাত্তবা অদুগুম্বা মীগী মশীংদি চাম্মগী মনুংদা অনী-অহুমগী চাংদা ওইখি। অদুগা অরেম্বা ৯৭-৯৮গুম্বগী ইমুংনা খুদক্কী ওইবা নোংমগী অয়ূক অমদি নুমিদাংগী চরা ৱাল্লগা চাবা ঙাক্তনি।

অসুম্না চোইনা ৱানবা ফংলক্তবা অসিনা নুপী ময়াম হৌরক্তুনা মপান্দা চেঙ থাদোকপা থিংউ হায়দুনা মণিপুর ষ্টেট দরবারদা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ফুজিল্লকখি। মসিগী তাঞ্জা অসিদদি মণিপুরগী মহারাজদি নবদিপ্তা লৈখি। দরবার মেম্বর পূম্নমক নুপী ময়াম্না কোয়শিন্দুনা খুদক্তা চেঙ থাদোকপা থিংউ হায়না ফমজিন্দুনা মপান থোকহন্দনা থমখি।

দরবারগী মেম্বরখক্তুনা চেঙ থাদোকপা থিংবা ঙমদে। মপান্দা লৈখিবা মহারাজকী য়াথং লৌখিগে হায়না হায়রকপদগী নুপী ময়াম্না হৌজিকমক মহারাজ কৌথোক্কদবনি হায়না তকশিল্লকখি। দরবারগী প্রসিডেন্ট মিষ্টর সার্প অমসুং দরবার মেম্বর পূম্নমক নুপী ময়াম্না ফাদুনা টেলিগ্রাম ওফিস তানা পুরকখি। খুদক্তা মহারাজদা টেলিগ্রাম তৌদুনা কৌথোকউ হায়রকখি। মিষ্টর সার্প অমসুং অতৈ মৈতৈ মচা মেম্বর পূম্নমক টেলিগ্রাম ওফিস মনুংদা হোইজিন্দুনা থমখি।

চেঙ থাবা থিংদ্রিফাওবা মপান থোকপা য়ারোই হায়দুনা মপান্দা কোয়শিন্দুনা থমখি। দরবার মেম্বরশিংদু চাক-ঈশিং ফাওবা পীজখিদে। মদুদা মেম্বরশিংনা টেলিগ্রাম তৌখি। লাল হৌরিবী নুপী ময়ামদু তকথোকখিনবা অসাম রাইফলসকী নোংমৈ পায়বা সিফাই কৌথোকখি। বৃটিশ মচা কম্মাণ্ডেন্ট মিষ্টর বুলফিল্ডগী য়াথং মখাদা নোংমৈ মতোন্দা শঙ্গিন থেৎতুনা শাপোৎ-লানপোৎ শেৎতুনা লাকখি। অহিং মিংশেল খাংলিবী মবুক লাল্লবী ইমা ইবেলশিংগী মরক্তা লান্দাদুনা শঙ্গিন্না থিনবা হৌরকখি। ইমাশিংগী থবাক্তগী ঈখেং কয়া চেন্থরকখি। টেলিগ্রাম ওফিস মনুংদা ঈনা পুমচাই চাইখি অমসুং ইমা কয়া তাদুনা লৈখি। অদুমক্তদা নোংমৈ মনীংনা শুজিনবীখি অমদি মকোক মরূ থুগাইবিখি।

খূৎলায় পায়জদবী মরাল লৈজদবী মৈতৈ ইমাশিংবু তমথীনা ওৎনৈখি। হনবা লৈতবী মথৌনা মরিংজেলতনা য়োল্লবী মৈতৈ নুপীশিং হনবা লৈখিদে। টেলিগ্রাম ওফিসকী থোঙদা অহিং লেক্তুনা লৈখি। অসুম্না দরবার মেম্বর অমত্তা মপান থোকহন্দ্রবদা পুং ২৮গী মতুংদা চেঙ থাবা থিংবগী য়াথং অমা মহারাজ অমদি পোলিটিকেল এজেন্টকী মায়কৈদগী থোরকখি। দরবার ওফিস মনুংদা থম্লম্বা মেম্বর পূম্নমক থাদোক্লে। মহারাজসু নুমিৎ মঙানিশুবা কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১৬তা লেংথোরক্লে। অসুম্না অনীশুবা নুপীলাল ইমাশিংনা থৌনা লিংজেল ফুদোক্তুনা মায় পাকহনখি। মদুগী মতুংদা ঙসি ফাওবদা ইমা ইবেলগী ঈহৌ মৈরাগী ৱাহন্থোক নিংথিনা শীজিন্নদুনা ঙসি নুপীগী মতিক ময়াই মীয়াম্না খঙনরিবা অসিনি।

অদুবু, ঙসিগী ইমা ওইরক্কদবা কয়াগী মরক্তা অরানবা লম্বীদা ওন্ন-তৈনবা ৱাখলদা চৎপগী মমি তাবা ঐখোয়না উবা ফংলিবা অসি চুমদবনি। মোবাইল অমদি চিঞ্জাক্না ইমা ওইহনগদবা কয়াগী লমচৎতা অমুবা মচু শংবগুম তৌরিবা অসিদগী করম্না কনবা হায়বা অসিসু ঙসিগী মীয়াম্না নৈনবীফম থোকই। অসুম্না তৌবীরবদি ঐখোয়না মতমদুগী ইমাশিংগী থৌনা লিংজেল কয়াদু অমুক হঞ্জিনবা শোয়দনা ঙম্লক্কনি। ঐখোয়গী লাইওইখ্রবী ইমাশিংদি মথৌনাতনা য়োমদুনা নুপা ওইবশিংগী মমাঙ থাদুনা হান্না মথ্বায় কৎপা ঙম্বীনি। মদুগী খুদমদি কুমজা ১৪৬৭কী ফেব্রুৱারী ১৪ ফাওবদা পানখিবা নিংথৌখোম্বগী মহারানি লিন্থোইঙম্বীনা নিংথৌনা অকলাগী লান চৎখ্রবদা নিংথৌগী মহুৎ শিন্দুনা লৈপাক কনখিবগী ৱারী ঐখোয়না কাউথোকপা ঙম্নদ্রিবসিনি।

অসুম্না ঐখোয়গী ইমা ইবেলশিং অসিসু লিন্থোইঙম্বীগী চাদা নাওদা ঙাক্তনি। হৌজিক মণিপুরদা মৈগী চীং কয়া ফুমদুনা লৈরিবনি। অসিগুম্বা মৈগী চীং ময়াম অদুদি মরুওইনা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী, আই এল পিগী অমদি এদেদ স্কুলগী ইস্যু ময়াম অসি লৈবনা লৈঙাক্লসু মতম চানা লোইশিনবা ঙমদবা অদুনা য়ামদ্রবদা ইস্যু ময়ামশিং অসিগী মরক্তগী অমগীদা হেক্তা ওইবা য়াই, অহুমশুবা নুপীলাল অমা লাক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অদুনা ঐখোয়গী ইমাশিং অমদি ইমা ওইরক্কদবা কয়ানা মীৎকুপ নাহুমশিংনা লৈবাক অসি কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমীন্নসি।

লমদমসিগী অরূম্বা খুদিং পুরগদবা ইমাশিংনা মীৎকুপ নাহুমশিংনা লৈবা মথৌ তারে। মালেমগী লান অয়াম্বা নুপীদগী হৌবনি অদুনা নুপীগী ওইবা ক্রাইম কয়া থোকহন্দুনা লৈবাক ঈরাং থোকহন্দনবা, মৈরাগী ৱাহন্থোক ফজনা লৈহন্নবা অমদি ৱাখল তাদবা কয়া ৱাখল তাহন্নবা এৱ্যেরনেস পীবা কান্নগনি। লমদমসিদা নুপীগী লূপ কয়না অফবা খুন্নাই অমা ওইনবগী মায়কৈদা কন্নসু চঙশিন্নরি। ঙসিগী ঐখোয়গী লমদম অসি অরুবা তানফম অমা লাক্লবনি। মরম অসিনা ঐখোয়গী কাঞ্জুল মুৎখিদনবা ঐখোয় পূন্না থেংনমিন্নরসি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।